# স্পেসল সন্দেগী ৪২৭শুবা থৌরমদা বোসেমগী এগজামদা পোজিসন ফংলকখ্রবশিং শরুক য়াখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংনা শীন্দুনা সেন্টর অসিগী মীপুনশঙদা লেপ্তুনা চথরকপা ৪২৭শুবা স্পেসল সন্দেগী থৌরম ঙসি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন ২০২২দা মণিপুর পুম্বগী ওইনা অহুমশুবা পোজিসন ফংলকখ্রবী মেনেকা হুইদ্রোম, ৯শুবা পোজিসন ফংলকখ্রবী সাইনা ময়াংলম্বম অমদি ২৩শুবা পোজিসন ফংলকখ্রবী মোইরাংথেম দেবরানিনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মায় পুরকখ্রবী মহৈরোয় অহুমনা মতৌ করম্না নোংমগী পুং ২৪ অসি শীজিন্নবগে অমদি পোজিসন তানবা হোৎনরকপা অসিদা লাইরিক মতৌ করম্না পারকপগে লোয়ননা ৱাখল চরাংনবা অমদি পাখৎপা, ইমুং-মনুংগী অমসুং মমান্নবীশিংগী মরক্তা চরাংনবা ফাওরকপা মতমদা মতৌ করম্না ৱাখল ফাথদুনা হোৎনরকপগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা মহৈরোয় অহুম অদুগী এক্সপরিয়েন্সশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগা পুন্না খঙমিন্নখি।

থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইনা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা বোসেমনা লৌবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন ২০২২দা পোজিসন লৌরকখ্রবী মহৈরোয় অহুমবু থাগৎপগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নরদুনা তুংদা লাক্কদবা পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা মীওই অমমম ওইবা ঙম্নবা হোৎনবীরকউ হায়না পূক্লিং থৌগৎখি।

# চাউখৎ থৌরাংগী চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদা জিরিবামগী মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু : প্রসিদেন্ট



ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : রুরেল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (আর দি ও)না হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা থারিবা ৱাকৎ অসি শুপ্নতগী সোনাপুর জি পি খক্তগীনি। সোনাপুর খক্তদা বেজ তৌবনি। অতোপ্পা জি পিদি য়াওদে। মরম অদুনা জি পি অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদা জিরিবামদা লৈরিবা পুন্নমক্না মতেং পীবীদুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না আর দি ওগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ সহিদ অহমদনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি জিরিবামদা পি এম এ ৱাই-জি, এন আর ঈ জি এ, এম জি এন আর ঈ জি এস অমদি সেন্ট্রেল ফাইনান্স কম্মিসন স্কিমগী মখাদা থাদরকপা য়াম্লবা শেনফমশিং প্রধান অমদি মেম্বরশিং পুন্না মান্নরগা কুমজা ২০১৮দগী ২০২১ ফাওবগী শেনফম চাথোক্লম্লে হায়বগী মতাংদা ফমখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। পনবা য়াবদি, জিরিবামগী সোনপুরদা বেজ তৌবা রুরেল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (আর দি ও)না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখিবগী মতুংইন্না সোনাপুর জি পিগী প্রধান অমদি মেম্বরশিংদা কম্মিসনগী মায়কৈদগী ষ্টেটস রিপোর্ট চৎলিবা থা অসিগী জুলাই ২১ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবনি। ঙসি জিরিবামগী সোনপুর জি পিদা লৈবা আর দি ওগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা আর দি ওগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ সহিদ অহমদ, ভাইস প্রসিদেন্ট রোকি মোনি লাস্কর, জেনরেল সেক্রেটরি মোহম্মদ রফিজুল হক, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইব্রাহিম খান, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি মোহম্মদ অব্দুল হুসেন, ট্রেজরর এম দি অকবর হুসেন অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বর এম দি অব্দুল সলাম অমসুং ইমদাদুল রহমনসু শরুক য়াখি।

# হুইদ্রোম খুলদা অঙৈং-অশাগী খল কায়থরকপগী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা অঙৈং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিগী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা হুইদ্রোম খুলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মহৌশাগী খল কন্নবগীদমক গ্রীন রেসিষ্টেন্স কৌবা লূপ অমসু শেমখ্রে।

খুল অসিদগী য়াম্না নহা ওইরিবা মহৈরোয় অম্বিকা লাইশ্রমনা মহৌশাগী খল কন্নবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা লম্লাই মপারী থৌগল লূপনা নোংমগী ওইবা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী স্কিম ওফিসর ডা. এন সনামচা, এম ঈ এস থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি থাংমিনলুন হাওকিপ, কম্মিটি ওন দ প্রোটেক্সন ওফ নেচরেল রিছোর্সেস ইন মণিপুরগী কনভিনর টিঙেংলুং, সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরগী এদভাইজর এন সনাহল অমদি হুইদ্রোম ভিলেজ মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম রাজেননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, অথোইবা লেংবীরকপা অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না গ্রীন রেজিষ্টেন্স মণিপুর কৌবা লূপ অমসু শেমখি। লূপ অসিগী প্রসিদেন্টনা অম্বিকা লাইশ্রমনা ওইগনি। ৱার্কিং প্রসিদেন্টনা এন রাজেশ অমদি ভাইস প্রসিদেন্টনা মথংশিংনা ইরুংবম রবি, থাংমিনলুন হাওকিপ, জেনরেল সেক্রেটরিদা এন সনাহলনচিংবা খনখি। মীফম অদুগী মনুং চন্না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নরগা মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি লোগী মখাদা য়েংশিন্নবা থবক অমদি লৈঙাক্তা তকশিন্নবা হায়বনচিংবা ৱারেপশিংসু অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়রি।

# বন মহোটসবকী মনুং চন্না উয়ালদগী থোকচোম ফাওবগী লম্বীগী নাক-য়েৎতা উ চারা পাম্বীশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): বন মহোটসব ২০২২গী মখা চথরকপা থৌরমশিংগী মনুং চন্না থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কম্মিটি (জে এফ এম সী) উয়াল অমদি টি ৱাই দি এ থোকচোম অনীনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি উয়ালদগী থোকচোম ফাওবগী চাউরাক্না কিলোমিটর ১ রোম শাংবা লম্বী অসিগী নাক-য়েৎতা উহৈ পানবা য়াওনা উ চারাশিং থাখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাক শন্না উ থাবগী থৌরম অদুদা দি এফ ও থৌবাল টি ঐচ লোকেন্দ্রো; ময়াই কৈথেল বিট ওফিসকী দেপ্যুটি রেঞ্জর এল ধনঞ্জয়; থৌবাল রেঞ্জকী আর ও, এস শামুঙৌ; থৌবালগী ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন দল্লিয়ু রামচন্দ্র অমদি জে এফ এম সী উয়াল অমসুং ক্লবশিংগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না দি এফ ও থৌবাল টি ঐচ লোকেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ঐখোয়না থারিবা উ চারাশিং অসি জে এফ এম সী অমদি ক্লবকী মেম্বরশিংনা চেকশিন্না শেন্নদুনা হিংহন্নবা হোৎনমিন্নসি। ঐখোয়না থারম্লিবা উপালশিং অসি তুংগী মীরোলগীদমক্তনি। মরম অদুনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনসু মফম চাবা মফমশিং য়েংদুনা উ চারা কয়ামরুম থাজিনবা মতম য়ৌরে। ঙসিগী কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসি উ পাম্বী থাবা খক্তনা কোকহনবা ঙমগনি হায়খি।

HL-P/32679/9-23

# ভি এল এফ ফোর্মেসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী উচাথোল ভিলেজদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম) ব্লোক মিসনগী মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবাম সী দি ব্লোক, দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা লায়রবা মুখৎলসি হায়বগী পান্দমগা লোয়ননা ভি এল এফ ফোর্মেসন তৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফোর্মেসন তৌবগী থৌরম অদুদা নৌনা থৌপুগদবশিংসু খনখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ তরেৎসু শরুক য়াখি। এল দি এম জিরিবাম ৱাইখোম বিরেন্দ্র, উচাথোল পাইওনর ক্লবকী মেম্বরশিং, রঞ্জিতা, জি সুসিলা অমদি য়েন্নিংহুনবীনচিংবসু শরুক য়াখি।

HL-P/3279/9,11,13

# লম্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): তেকচমদগী সাপম ফাওবগী লম্বী শেম্বীদবদগী তেকচম টু থৌবাল দিজল ওটো ওনর্স এন্দ দ্রাইভর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন অমদি তেকচম টু ককচিং দিজল ওটোএসোসিএসন্না লম্বী শেমজিনখ্রে।

৭ লৌশিং পুক্কে

# ফমজিন্দুনা লৈবা, হকচাং

## শাজেল তৌবগী হৈনবী লৈত্রদি হার্টকী লায়না লাক্কল্লি

মীপুম খুদিংমক মথৌ চিনবা নেহগৎলক্লবসু হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা মরম্না ইন্দিয়াদা থম্মোয়গী লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপনি হায়বা অতৈ সর্ভে অমদগী খঙবা ঙম্লে।

ক্যুরোফি কৌবা ডোক্তরশিংগী নেটৱার্কিং গ্রুপ অমনা চথখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, ইন্দিয়াদা শিরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ২৫ রোমদি কার্দিওভাস্কুলর দিসওর্দরনা মরম ওইরগা শিবনি। অহানবদা হার্ট দিজিজ হায়বসি সীটিগী ইনাক কৈরাক খুনবা মীওইশিং খক্তদা নাবা লায়নানি হায়না লৌনরম্লবসু হৌজিক্তি খুঙ্গংগী লায়রবা মীওই কয়াসু লায়না অসিনা নাবা থেংনরে।

ডোক্তর ২,২৩০ না চথখিবা ষ্টদিশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙলকপা রিপোর্টনা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা চাবা থকপগী মওং শোয়বনা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপনি।

মেদান্টাগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট কার্দিওলোজিষ্ট ডা. কার্তিকেয়া ভর্গবানা হায়খি, হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা, অয়াম্বা মতমদা ৱাখল চরাংনবা অমসুং মৈখু শীজিন্নবনা মরম ওইরগা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ (সী ভি দি) গী চাং ৱাংখৎলকপনি। চাবা-থকপগী মওংদসু অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা থাউদা তাউবা চীঞ্জাক কা-হেন্না চাবদগী হার্টকী মথৌদা অকায়বা থোকহল্লক্লি। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা অমসুং চাবা-থকপগী মওং শোয়বা হায়বসিনা মরুওইবা মরম ওইরগা মীওই কয়া খঙহৌদনা হার্ট ফেল ওইহল্লগা শিরি।

মেদান্টাগী মেনেজিং দিরেক্টর নরেশ ট্রেহাননা হায়খি, ইমুং-মনুংগী ওইবা ঈ মরীদগী লৌনরকপা জিনগী অশোয়বনা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপগী চাংদি য়ামদে। অয়াম্বা মতমদা চাকচা-য়ুথক অমসুং পুন্সি মহিং শোয়বদগী লায়না অসি ওইহল্লকপনি। খুদম ওইনা মৈখু শীজিন্নবা হায়বসি হার্টকীদমক্তদি কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। হকচাং লেঙ ওৎপগী চাং ৱাৎপগা লোয়ননা চিনিগী শরুক য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবা হায়বসিসু হার্টকী লায়না ওইহল্লক্লবগী মরুওইবা মরমনি। নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক খোঙকাপ খরা খোঙনা চৎপগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়না মেদান্টাগী মেনেজিং দিরেক্টর নরেশ ট্রেহাননা ফোঙদোকখি।

হার্টকী ফীভম ফনা থম্নবগী পান্দমদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯ দা 'ৱর্ল্ড হার্ট দে' গী থৌরম মালেমগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লখি। হার্টকী ফীভম ফরবদি পুন্সি নুংশাংনা অমসুং নুংঙাই য়াইফনা হিংবা ঙম্মী। কোরোনরি হার্ট দিজিজ হায়বসি ইচম চন্না পুন্সি মহিং শেমদোক্লগা ঙাকথোকপা ঙম্বা লায়নানি। কোরোনরি হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থহন্নবগীদমক চাকচা-য়ুথক ফজবগা লোয়ননা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহন্দবা, অৱাবা ৱাখল খন্দবা, হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা মথৌ তাই।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা অপূনবা মীশিং বিলিয়ন ১.২৭ কী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ৪৫ রোমদি কোরোনরি অর্টরি দিজিজনা নারি। মতম খরগী মতুংদদি ইন্দিয়ানা থম্মোয়গী লায়না নাবা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরগনি হায়না পানরি। কুমজা ২০৩০ গী অদুৱাইদদি ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩৫.১ লোম থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইরগা শিরগনি।

মতম অমদা চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিং খক্তদা নাবা লায়নানি হায়না থাজনরম্বা হার্ট দিজিজনা নারবা নহারোল কয়া ইন্দিয়াদা লৈরে। পুন্সি মহিং শোয়বা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌদবা মরম্না ফীভম অসি ওইহল্লকপনি। ইন্দিয়াগী মীওই মিলিয়ন ৫০.৮ লোম দাইবে-টিসনা নারি। দাইবেটিস হায়বসি হার্ট দিজিজ অমসুং ষ্ট্রোক্কী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। হৌখিবা চহী ৫০ গী মনুংদা ইন্দিয়াদা দাইবেটিসনা নাবা অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীগী মশিং অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলক্লি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্ট্রোক, হার্ট এটেক, কিদনি ফেলিয়র অমসুং হার্ট ফেলিয়রগী রিস্ক হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়াদা অর্বান এরিয়াগী মীওই চাদা ২৫ দগী ৩০ ফাওবা ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। রুরেল এরিয়াগী ওইনদি চাদা ১০ দগী ১৫ ফাওবনি।

হকচাংগী অরূম্বা হেনবগা লোয়ননা কা হেন্না নোয়বা হায়বসি থম্মোয়গী লায়না অমসুং দাইবেটিস ওইহল্লক্লবগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপনা হার্ট দিজিজ অমসুং ষ্ট্রোক্কী রিস্ক চাদা ৫০ রোম হেনগৎহল্লি। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌবগী চাং ৱাৎপা মরম্না ইন্দিয়াগী মীওইশিং চহী নৌনা থম্মোয়গী লায়না নাবা থেংনরি। নোংচুপ লৈবাকশিংগা য়েংনবদা ইন্দিয়াগী মীওইশিং মনুং মতম চাদনা লায়না অসিগী চৈথেং ফংলি।

হার্ট অমদি ঈ উতোংগী ওইবা লায়নাশিংবু কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ (সী ভি দি) হায়না খঙনৈ। মরুওইনা কোরোনরি হার্ট দিজিজ, হার্ট ফেলিয়র, কার্দিওমা-ইয়োপেথি, কোঞ্জেনাইটেল হার্ট দিজিজ, পেরিফরেল ভেস্ক্যুলর দিজিজ অমসুং ষ্টোকনি। গুরগাওনগী মেদান্টা-দ মেদিসিটিগী চ্যেরমেন অমসু মেনেজিং দিরেক্টর নরেশ ট্রেহাননা হায়খি, অর্বান এরিয়াদা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা হার্টকী লায়না নাবগী চাং চাদা ১০.৫ অমসুং রুরেল এরিয়াদনা চাদা ৬ হেনগৎলকপা থেংনরে।

মেট্রো সীটিশিংদা লৈরিবা মশাগী চহী ২৫ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই চাদা ৭ কোরোনরি হার্ট দিজিজ নাবা থেংনরে। হার্ট য়ৌনা ঈ পুরিবা কোরোনরি অর্টরি ফুনবগী থৌওং অসিনা খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা হার্টকী লায়নানি হায়না ন্যু দিল্লিগী গঙ্গারাম হোস্পিটালদা সিনিয়র কন্সল্টেন্ট (কার্দিওলোজি) ওইবা অশ্বানি মেহতানা ফোঙদোক্লি।

নোইদাগী জেপি হোস্পিটালদা ইন্টরভেন্সন কার্দিওলোজিগী দিরেক্টর ওইবা গুঞ্জন কাপুরনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিং মনুং মতম চাদনা কোরোনরি অর্টরি দিজিজ নাবা থেংনরে। মসিগী মরুওইবা মরমদি হকচাং শাজেল তৌদবা, চাবা থকপগী মওং হোংলকপা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা, মৈখু অমদি হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবা, য়ু থকপা অমসুং থুম য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবা অসিনচিংবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে





# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০৬।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক পুং ১১.১৪ ফাওবা ইঙেলগী ১২নি পাল্লি মতুং ১৩ নি পাল্লনি।

মেষ: নচা-ননাইগী লমদা নুংঙাইজবা, নীংহন্নদবনা মায় পাক্কনি, য়েক্লববু ঙমজদুনা মীংচৎ ফংজগনি। খোয়রাংবা অমদি চরাংনরবদি নুংঙাইফম খঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা ঙসিসু লৈ। লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি, অচুম্বনা মাঙওইনবনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি। হন্থবা লোয়নবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: অনৌবা মরুপ-মপাং ফংগনি, লম চৎপা কান্নগনি অমদি থাজদবা মরমদগী কান্নবা ফংগনি। অশিংবা শারদি থবক্তা কায়গনি, লাঙতক্লরবদি য়েৎনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: নীংবা মপা চারোই-খনবদুমক পাঙদা য়াদে খনগনু। শেল থুমগী লমদদি চাওনা কান্নগনি, মরুপ-মপাংশিংনা লুনা তৌবীগনি। মরম চাদনা খুৎ চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা তেংবাঙবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

সিংহ: লেঙদবা লন ফংনবা হোৎনবা মতাং চাই, পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম ফংনবা হোৎনবসু মায় পাক্কনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি। য়েক্লবনদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাঙবা কনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা: অয়াম্বা লমদা মায় পাক্কনি। শেন্দোং য়াম্বা, য়েৎনবদা মায় পাকপা, অচুম্বনা মীংচৎ পুরকপা, অফবা লৌশিং তানশিনবা য়াবা, হকচাং নুংঙাইবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: ইমুং-মনুংদা ফাওবা হুরানবনা য়েংথিবা লৈরি-পঙথগনু। অনম তানবসু অঙম্বনা তাথিবীগনি-ঈংথৌ। মীয়াম্নদি চানবীগনি-মখোয়গী মতেং লৌহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃশ্চিক: মায় পাকচবা, ৱাখল থোকপা, ওজা-গুরুনা চানবীবা, হকচাং নুংঙাইবা, খুৎ চাওবা য়াবা নুমিৎনি। ঈরাং পুবা অমদি অনম তানবদি থবক মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাঙল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: খাঙবা কনবা, অশাওবা থাদোকপা অমদি চরাঙনদবনা মাঙবা য়াবা কয়াদগী কনবা ঙমগনি। হেনজিন্না খঞ্জিনগনু হান্নদৈ পাঙলকপা থবক্তদি মাঙবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

মকর: লাইবক ফবনা ওইজ-ওইথক ফংগনি, পাঙগে খনবা থবক্তুদি মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা পাঙবা য়াগনি। পঙশিন্নবা -ৱা য়াম্না ঙাংদবনা মাঙগদবদৈ কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কুম্ভ: মরুপ-মপাংগী মতেংনা নুংঙাইজবা, পাউ নুংঙাইবা তাই, নথক থোংবনা ঙসিসু চানবী। নাপল তৌরদি নচা-ননাই ময়েং তাগনি, মীকোক থোংবা ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা কান্নগনি অমদি নীংথিনা খন্থরগা হান্না শীন্দোক্লবা থৌরম নত্তনা পাঙদবা ফৈ। মরুপ খনবা হৈরদি মায়থিবা লৈরোই। শাওরদি মাঙলনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

